
# সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাঙওইননা জিরিবাম পুলিসনা ফ্রিস্কিং-চেক্কিং চথদুনা হীদাক মনাগী পোৎলম ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাঙওইননা অমদি ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট লাক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা সী দি ও অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্সনা জিরিবামগী অকোয়বদগী ফ্রিস্কিং-চেক্কিং চথবগা লোয়ননা হীদাক মনাগী পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে।




জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি মুবী মোইরাংথেমগী মীৎয়েং মখাদা এদিস্নেল এস পি জিরিবাম, কে অজিৎকুমারনা কম্মান্দ তৌদুনা ফ্রিস্কিং-চেক্কিংগী থবকশিং য়াম্না কন্না চথরি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা ঙরাং জিরিবামগী মফম অনীদা চেক চথবদা হীদাক মনাগী পোৎলম কয়া মীওই কয়াগা লোয়ননা ফাগৎখ্রে।

ফাগৎলবশিং অদুদি হরন দাস, অপোকপগী মীং কনাই দাস, জিরিঘাটকী কালিনগরদা লৈবা দুকান্দগী বাবা জর্দা পেকেট ১৯, এস টেন টোবেক্কো পেকেট ২২, খৈনি পিচ ২২০ ফাগৎখি।

অতোপ্পা অমনা সী দি ও অমদি এস টি এফকী টিমনা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা জিরিবামদগী অব্দুল রহিম কৌবা মীওই অমদগী ৱিন সিগরেট পেকেট ৭০০ লোমসু ফাগৎখি। ফাগৎলবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু ফূদ সেফটি ওথোরিটিদা খুৎশিন্নগদৌরি।

জিরিবাম পুলিসকী ওইবা ফোর্মেলিটিশিং তৌরবা মতুংদা পোৎলমশিং অদু ফূদ সেফটি ওথোরিটিদা শিন্নরগনি। মণিপুরদা প্রসিদেন্ট লাক্কদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা পুলিসনা জিরিবামগী অকোয়বদা চেকশিন-থৌরাংগী থবক কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি হায়নসু মখা তারি।

কম্মান্দো অমদি স্পেসল টাস্ক ফোর্স, জিরিবামগী কম্বাইন্দ টিমনা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী হৌনা জিরিবামগী মফম কয়াদা ফ্রিস্কিং-চেক্কিংগী থবক চথখি। জিরিবামগী এস পি মুবী মোইরাংথেমগী মীৎয়েং মখাদা ফ্রিস্কিং-চেক্কিংগী থবকশিং অদু চথবনি হায়রি।

## দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৭৫৯ ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অথিংবা লৈনা লৈনা ঙসি নারোনদা পুশিল্লকপা ৱর্ল্ড ইজ য়োর (দল্লিউ ৱাই) টেব্লেট ৭৫৯ গা কোন্ননা মীওই অনী ফারে হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পল্লেল কৈথেল এরিয়াদা লম্বীদা অচৎ অওক চেক তৌবদা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমা ফাখি। মহাক্কী মমীং হেটচোং ভাইফে (৩১) অপোকপা কাইখোশেন ভাইফে কৌই। মহাক মোরে ৱার্দ নম্বর ১ দা লৈবনি। মঙোন্দগী দল্লিউ ৱাই টেব্লেট ৬০৬ রোম ফাবগা লোয়ননা চে-চাং খরসু ফঙলে হায়রি।

নুমিৎ অসিমক্তদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অসিমক্না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সুগনুগী শাহুমফাইদা নুপী পুলিস য়াওনা য়ুম অমদা রেইদ চথবদা দল্লিউ ৱাই টেব্লেট ১৫৩ গা কোন্ননা মীওই অমা ফারে। মহাক্কী মমীং চেথাং লালপু মাতে (৩৮) অপোকপা ঙমখোজাং মাতে কৌই। মহাক সুগনুগী শাহুমফাই খুলদা লৈবনি হায়রি। মহাক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক সুগনু পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# ৱাক্স মিনিষ্টরনা লম্বী শেম্বগী ফীভম য়েংশিনখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলদা ইনি দয়াগী প্রসিদেন্টনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি নেসনল হায়ৱে-৩৯, ইম্ফাল-দিমাপুর অমদি টিদ্দিম লম্বীদা পোট হোলশিং মেনবা য়াওনা লম্বী শেম্বগী ফীভম কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

টিদ্দিম লম্বীদা লম্বী শেমদবগী ফীভম য়েংশিনবগী খোঙচৎতা থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাঙওইননা কৈবুল লমজাও তাবা টিদ্দিম লম্বীগী থবকশিং শেম্বগী থবক য়াম্না কন্না চথরি। লম্বী শেম-শাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ষ্টেট হায়ৱেশিং অমদি নেসনল হায়ৱেশিংথিনা শেম্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। সঙাই ফেষ্টিবেল মতুংদসু লম্বী শেম্বগী থবক অদুমক চথখিগনি।

পেলেস কম্পাউন্দগী অকোয়বগী লম্বীশিং অমসুং কোংবা রোডসু শেম-শাবগী থবগ চথরি। লম্বোই খোংনাংখোং তাবা লম্বী অসিসু সঙাই ফেষ্টিবেলগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বী ওইবনা নিংথিনা শেমজিন্নবা মীৎয়েং চঙগনি।

মিনিষ্টরনা লম্বী য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা পি দল্লিয়ু দিগী এঞ্জিনিয়র অমদি ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি। কোইরেঙ্গৈ এরিয়া অমদি নিংথৌখোংনচিংবা মফমশিংদা লম্বী শেম্বগী ফীভমসু য়েংশিনখি।

# নির্মালাবাসপু হায়র সেকেন্দরী স্কুল ওনখৎপদা মতেং পাংগনি : থৌনাওজম শ্যামকুমার

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): নির্মালাবাস হায় স্কুলবু হায়র সেকেন্দরী লেবেলদা ওনখৎপদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না মাহুদ এন্দ ফোরেষ্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ঙসি নির্মালাবাস হায় স্কুলগী চিলদ্রেন দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নির্মালাবাস হায় স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা চিলদ্রেন দে কম এন্যুএল প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, স্কুলগী মীংচৎ পুরকপদা মহৈরোয়শিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশিন তম্বখক্তদা মীৎয়েং থম্বগী মথক্তা অফবা মোরেল ভেল্যু অমদি এনভাইরনমেন্ট কন্নবগীদমকসু থৌদাং য়াবা তঙাইফদে। নির্মালাবাস হায় স্কুলদা ষ্টেট অসিদ টোপ্পর ওইবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লি। মিসন স্কুল অসিগী কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরি।

ওজাশিংনা মথৌ মশক খঙবা অমদি মহৈরোয়শিংগী অহল-লমনশিংনসু মহৈ-মশিনগী লমদা নিংথিনা মীৎয়েং চঙবা হায়বসি মায় পাক্নবগী মরু ওইবা লম্বী অমনি। ৱাইল্ড লাইফ অমনি এনভাইরনমেন্ট কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাং চাউই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা নির্মালাবাস হায় স্কুলগী প্রিন্সিপাল ভিক্টিমানা হায়খি, মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ইম্ফাল সিটি লূ-নান্না থম্নবগীদমক কন্না হোৎনরি। খুন্নাইগীদমক মহাক্না হোৎনরিবা কয়া অসি থাগৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী অফবা মহৈরোয় কয়াদা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি।

# চসাদ এভেন্যুদা কম্মান্দোনা পাক শন্না থিবা-হুম্বা চথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২১ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা শঙাই ফেষ্টিবেল মনুংদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিস কম্মান্দোনা মাঙজৌননা থি-হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

ঙসিগী নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চসাদ এভেন্যুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা চিংনবা মীওইশিং লৈব্রা হায়না থি-হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (এল ও অমদি ওপরেসন) পায়রিবা ৰুংপম কসরনা লুচিংবা টিম অমনা থি-হুম্বা চথখ্রে। ওপরেসন অদুদা নুপা-নুপী ২১৭ লোম পুলিসনা পুথোক্লগা লম্বীদা পরেং শানা লেপহন্দুনা থমখি। মখোয়শিং অদু অমমমতা ওইনা ৱাহং-পাউহং চথরবা মতুংদা মখোয়শিং অদু থাদোকখি।

ঙসিগী ওপরেসন অদুদা দি এস পি কম্মান্দো, দি এস পি ওপরেসন, এস দি পি ও পোরোম্পাৎ, লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, ইম্ফাল ইষ্টকী ও সী, বি ৱাইফৈনচিংবা ওফিসর কয়ানা শরুক য়াখি।

# কেমিকেল শিজিন্নদবা মওংদা লৌউ পথাপ পায়খৎপা তঙাইফদ্রে : লেটপাও হাওকিপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): কেমিকেল শিজিন্নদবা মওংদা লৌউ পথাপ পায়খৎপা তঙাইফদ্রে হায়না য়াস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা লৈবা ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিসর, চান্দেলনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা এগ্রীকলচরগী ওইবা স্কিমশিংগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামদা ৱা ঙাঙলদুনা লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, অনৌবা এগ্রো কেমিকেল, পেষ্টিসাইদ অমদি ফর্টিলাইজর কয়া শিজিন্নদুনা লৌউ-শিংউবগী পোথোক হেনগৎহল্লে। অদুবু মসিনা ইকোলোজিকেলদা অকায়বা কয়া পীরি। মীওইবগী হকচাংদসু অকায়বা পীরি। অসিগুম্বা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা এলিমেন্টশিং অসি য়াওদনা লৌউ-শিংউগী পোথোক পুথোক্নবগী তঙাইফদবসু লাক্লে।

মমাঙঙৈগী মতমগী মীওইশিংনা হৌজিক্কী মতমগী মীওইশিংদগী পূন্সি শাংবা হেল্লি। লৌউ-শিংউগী থবক্তা কেমিকেল ফর্টিলাইজর অমদি শিজিন্নরক্লিবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা মীওইবগী পূন্সি শাংবগী মতম হন্থরকপগী ফীভম লাকপনি। হৌজিক কেমিকেল ফ্রী এগ্রী--কলচরেল প্রেক্টিস পুথোকপা তঙাইফদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রনা হায়খি, সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অসি চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা মরী লৈনবা দি সীশিংনা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি। এগ্রীকলচরগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা লৌমীশিংনা খঙমিন্ননবগীদমক সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অসি চথরকখিবনি।

প্রধান মন্ত্রি কৃষি সঞ্চয় যোজনা, নেসনল মিসন ওন সসটেনেবল এগ্রীকলচর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়া লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এ দি সী চান্দেলগী মেম্বর ঙমলাল বাইটে, সাইথাং হাওকিপ, হোরঙম অনাল, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি(এগ্রীকলচর) ডা. সুহেল অখতার, দি সী চান্দেল কৃষ্ণকুমার, দি এ ও চান্দেল শ্যাম য়াওনা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। লৌমী ২১০ রোমন সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

# অইবশিংগী মফম অমা থম্নবা হোৎনরি: এল জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): মহৌশাগা শাগোন্নবা মফম অমদা অইবশিংগী শঙলেন অমা থম্বা মতমদা মখোয়দা ফাওরকপা ঈথিল কয়া লৈগনি। অদুনা অইবশিংগী ফম শঙ অমা শাননবা হোৎনরি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চথগদবা তরুকশুবা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচর, সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লি অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অনীনা শীন্দুনা কংলা হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে। ষ্টেট কলা একাদেমীগী সোভিনর অমসু ফোঙখি।

ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না পীবা পাউতাকশিং অসি লৌশিনবনা হেন্না মরু ওই। আর্ট এন্দ কলচর হায়বসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ওইহনবা হায়বসিসু মীয়াম্না পীবা পাউতাকশিংনা ওইগনি। অদুনা নুমিৎ হুমনি চথগদবা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচর রঅসিগী অরোয়বা নুমিৎতা পাউতাক কয়া পীবীরম্মু। মদুদা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনজগে হায়খি।

মিনিষ্টরশিংগীদি পোলিটিকেল হায়বসি মঙ মঙজবা কাঙবুনি। মঙফাওনরগনা নুংঙাইজবা, মিনিষ্টর ওইবগী পোর্টফোলিও, দিপার্টমেন্ট পায়বগী নুংঙাইবা লৈগনি। অদুবু তোঙান তোঙানবা ভিজন অমদি লাক্নবা হোৎনরি। মিনিষ্টর হায়বসি য়াওশঙগী নুমিৎ মঙানিগী মতমগা চপ মান্নে। লিটরেচর হাবয়সিনা মালেমদা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা সিয়ার তৌরি।

সোসাইটিদা লিটরেচরনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসিদা ফবা অমদি ফত্তবা লৈরি। অদুবু পোজিটিব ওইবদা খরা হেন্না লৌহনবীয়ু। পোজিটিবনা হেন্না ওইহল্লবদি ককঙাওনদুনা লৈরিবা নহা কয়াদসু মতেং ওইগনি। হৌজিক থোক্লিবা ক্রাইমশিং অমদি মতম মতমগী লাক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াশিং অসিসু হন্থরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা করি থৌদাং লৌহন্নিংই হায়বদুসু সজেসন পীবীরকউ হায়খি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেলদা কলচর অমসুং লিটরেচরগী মফমশিং লৈরি। মসিদা লিটরেচরগী সিম্পোজিয়ম কয়াসু পাঙথোক্কনি। মপান্দগী লাকপা অইবশিংসু য়াওহন্নবগী খুদোংচাবা লৈহনগনি। মরমদি কলচর অমসুং লিটরেচরগী মফম অসি মরুওইনা খন্নবদা য়াওরিবনি। অদুনা লিটরেচরগী লমদা লৈবীরিবশিংনসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি ডা. কে সুসিলনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, লিটরেচর ফেষ্টিবেল অসি কুমজা ২০১১ দগী পাঙথোকপা হৌরকখি। ষ্টেট কলা একাদেমী অমসুং সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্নদুনা পঙথোরকপা অসি হন্দক্না তরুক্লক শুরে। মথংগী তরেৎলক শুবা থৌরমদদি নুপীশিং ঙাক্তগী ওইনা পাঙথোক্কবা হোৎনরগনি। নুপী অইবীশিংনা ইবা শৈরেং শৈদিন্নবগী মফম অমা য়াওনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

সোভিনর ফোঙবদা থৌদাং লৌখিবা যোধচন্দ্র সনসমনা ফোঙদোকখিবদা, আর্ট এন্দ কলচরগী লম অসিদা মণিপুর অসি অহল ওইরবনি। মরমদি সাহিত্য তৌরম্বা অহলশিং অয়াম্বনা লৈশিল্লক্রে। মসিনা তাকপদি সাহিত্য অসি লিরে তাকপনি। অদুনা সাহিত্য অমসুং কলচর অসি খরা হেন্না থৱাই য়াওমিন্নসি।

শৈরেং শৈদিন্নবগী সেসনদা টিঐচ ইবোপিশক্না চ্যেয়র লৌদুনা পাঙথোকখি। য়ুমলেম্বম ইবোমচা, আর কে ভুবোনস্না, অরাম্বম ওংবী মেমচৌবী, বোরকৈন্যা, বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, রঘু লৈশাংথেম, লনচেনবা মৈতৈ, সরতচান্দ থিয়াম, ক্ষেত্রি রাজেন, নাওরেম বিদ্যাসাগরনচিংবনা শৈরেংশিং লাম্থোকখি।

# সঙাই ফেষ্টিবেলদা কলচরগী এক্টিভিটিশিংনা হেন্না উৎকনি : লক্ষ্মীকুমার

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): মণিপুরগী কলচর অসি পুৱারীগী শরুক অমা ওইবতা নত্তনা খুন্নাই অসিগী শরুক অমসু ওইনা লাক্লি। মরম অদুনা সঙাই ফেষ্টিবেলদা কলচরগী এক্টিভিটিশিংনা হেন্না উৎকনি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম লক্ষ্মীকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা মহাক্না হায়খি, সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কদবা মফমশিংদা কলচরগী ওইবা এক্টিভিটিশিং উৎনবা মফম থল্লি। ভগ্যাচন্দ্র ওপন এয়র থিয়েটর (বোট), মেলা গ্রাউন্দ, লম্বোই খোংনাংখোং, এম এফ দি এস, কংলা, দেব লিটরেচর সেন্টর অমসুং সেন্দ্রাগী তকমুদা কলচরগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। থৌরমশিং অদুদি জগোই, ঈশৈ, ফিল্ম, শুমাং লীলা অমসুং লিটরেচরনচিংবনি।

মেলা গ্রাউন্দদা ষ্টেট কালা একাদেমিগী খুথাংদা কলচরগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। মসিদা মিট দি আর্টিষ্ট হায়না চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম কুমসি চহী অসিগী ওইনসু পাঙথোক্কনি। কুমসি চহীগী ওইনদি থৌরম অসিদা এৱার্দ লাউথোকখ্রবা অহল ওইরবী শরু ৗইরবী ফিল্ম আর্টিষ্ট অবোক লৌরেম্বম পিশক অমদি ওইনাম বিরমঙ্গলসু শরুক য়াগনি।

ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা এম এফ দি এসতা নুমিৎ ৫নি ফিল্ম উৎকনি। কুমসি চহীদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনখিবা ফিল্মশিং উৎকনি। মসিগীসু মথক্তা শক্লাইরবা মণিপুরগী এক্টর অমসুং এক্ট্রেস কয়াগসু উনদুনা ইন্টরেক্ট তৌহন্নবা শেম শাবা লোইরে। মসিগীদমক সঙাই ফেষ্টিবেল হৌবদগী লোইবা ফাওবা লেপ্তুনা মিট দি আর্টিষ্ট হায়বা থৌরম অমা শিনগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী খুথাংদা দেব লিটরেচর সেন্টরগী হোলদা লিটরেচরগী ওইবা এক্টিভিটিজ অমদি সিম্পোজি-য়মনচিংবা পাঙথোক্কনি। মসিদা মণিপুরগী মপান্দা লৈবা সাহিত্যগী লমদা থৌদাং য়ারিবশিংসু শরুক য়াহন্নবা হোৎনরি।

নোংচীংগী ফীভম য়েংলগা লাইট এন্দ ম্যুজিক পাঙথোক্কবা খন্নরি। মসিদা নত্তনা কংলা মনুংদা লৈরিবা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্কবা মফমশিং য়েংহন্নবগীদমক্তা বেটরি ওপরেটর ভেহিকল কংলা মনুংদা থমগনি। লমকোয়বা লাকপশিংনা কংলা মনুংদা লৈরিবা পোৎলমশিং থুংনা চৎলগা য়েংবা ঙম্লোইদবা মরম্না মখোয়দা খুদোংচাবা পীনবগীদমক বেটরিনা চলাইবা গাড়ী চেলহন্নবা থৌরাং তৌরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, সেন্দ্রাগী তকমুদা ফেষ্টিবেল হৌবা নুমিত্তগী নোংঙানবা ফাওবা হায়বদি নুমিৎ নীনি কলচরেলগী প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি। লেজর লাইট শীজিন্নদুনা মীয়ামদা মৈগী কুন্থে উৎনবা থৌরাং তৌরি। সেন্দ্রা অমসুং তকমু য়াম্না ফজবা মফম অমা ওইহন্না অমসুং টুরিষ্টশিংগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমগদবা মফম ওইহনবা ঙমগনি হায়না থাজে।

<table>
<tr><td>

**GAS TODAY**

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto:19/08/2017
Valid From:02/08/2017
***Stk :612***
Timing:07.00am to 10.00am
*(Pls. Submit Aadhaar xerox)*

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:18/08/2017
Valid From:09/08/2017
***Stk 14Kgs:306, Rs.842.5/-***
Timing:08.00am to 10.00am

**IMPHAL LPG SERVICE**
***Commercial 19kg Stk :200***
(Avail Commercial Connection)
***Delivery at Heinoubok Godown***

**KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR**
**SL.NO.3803-4010**
Booking Upto:29/06/2017
Valid From:17/06/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL.NO. FROM - 3351**
Booking Upto:18/08/2017
Valid From:11/08/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:04/07/2017
Valid From:29/06/2017
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:07.30am to 09.30am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:28/08/2017
Valid From:31/07/2017
***Stk :612***
Timing:07.30am to 10.00am

**TDK, SEKMAI**
Booking Upto:25/06/2017
Valid From:15/06/2017
***Stk :612 (DBTL)***
Timing:07.30am to 10.30am

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto:31/08/2017
Valid From:26/08/2017
***Stk :306, Rs.862/-***
Timing:07.00am to 10.00am

**PATSOI INDANE SERVICE**
**SL.NO. 54**
Booking Upto:14/09/2017
Valid From:08/09/2017
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:07.00am to 10.00am

</td></tr>
</table>

## প্রসিদেন্টনা সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদোক্কনি...

*লামায় ১গী মখা...* টাইৱান, টর্কি, য়ু এ ঈ অমদি জিম্বাবৱেনচিংবা লৈবাকশিংদগী মীওই কয়ানা শরুক য়াগদৌরি।

হৌদোকপা নুমিৎতা ফুরুপ কয়ানা নাৎকী ওইবা জগোয়-ঈশৈ কয়া উৎকনি। লৈশেম জগোয়, মরাম দান্স, মাও দান্স, থৌগল জগোয়, ফৌশা জগোয়, ঝৌ দান্স, মোইরাং পর্ব্ব, মণিপুরী ফোক সোং, দোল-ধুলোব চোলোন, থাঙ-তা চাইনবনচিংবা কয়াসু পাঙথোক্কনি।

ফ্লাৱর শো, থিম পার্ক, ফূদ ষ্টোল, মীট দি ষ্টারনচিংবা কয়া অমসু য়াওগনি। হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াবা অমদি য়েংবা লাকপগী চাং অসি মমাঙ চহীদগী দবল হেন্না লাক্লবা হোৎনরি। ফূদ ষ্টোলশিংসু হাংগনি।

সঙাই ফেষ্টিবেলগী তোঙান-তোঙানবা ভেন্যুশিং চৎপা পাম্বা মীওইশিংগীদমক জি পি এস য়াওবা ৱিঙ্গর সার্ভিস লৈগনি। মসিদা লেম্না তোংবা য়াগনি। লোক্তাক পাৎতা প্লেট ফোর্ম অমা শারগা লেজর শোনচিংবা উৎনবসু শেম-শারি।

লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়া ফাওদুনা কিলোমিটর ২১ রোম শাংবা হাফ মরাথোন অমসু পাঙথোক্কনি। মসিনা মোইরাং, সেন্দ্রা, থাঙ্গ, কৈবুল লমজাওনচিংবশিং ফাওদুনা চেনগনি। ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অহুল্লোমদা সঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈনবা এদভর্টিজমেন্টশিং তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা দিরেক্টর টুরিজম আর সুধাননা হায়খি, খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা য়েলহৌমীগী ওইবা মশান্না কয়া পাঙথোক্কনি। মুক্না, কাংজৈ, য়ুবী লাকপী, চৈবী, থাঙ-তা, কাং, সেপাক তাক্রো, মুইথানচিংবা কয়াসু উৎকনি। ম্যেন ষ্টেদিয়মদা হোট এয়র বেল্লুনিংসু লৈগনি। স্পাইদর নেট, বর্মা ব্রিজ, এ টি পি বাইকনচিংবগী শোসু খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা উৎকনি।

লম্বোই খোংনাংখোংদসু সঙাই ফেষ্টিবেলগী তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। মফম অদুদা ষ্টোল কয়া হাংগনি। হোট এয়র বেল্লুনিংসু পাঙথোক্কনি। মপান কাংজৈবুংদা মণিপুরগা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী টিমশিংগা পোলো মেচ শান্নগনি। কংলা মোটতা হিয়াং তান্নগনি। সঙাই ফেষ্টিবেলগী ম্যেন ভেন্যু ওইরিবা হপ্তা কাংজৈবুংদা সী সী টি ভি কেমেরা হাপকনি। জি পি এস য়াওবা টাটা ৱিঙ্গর ৪০ না হপ্তা কাংজৈবুং, মপান কাংজৈবুং, লম্বোই খোংনাংখোং অমদি খুমন লম্পাক্কী অকোয়বদা সার্ভিস তৌগনি। হপ্তা কাংজৈবুং ম্যেন ভেন্যুদা লেম্না ৱাই ফাই সার্ভিস ফংহনগনি। মসিনা শরুক য়াবা লাক্লিবা দেলিগেটশিং, য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংনা ইভেন্টশিং অপলোদ তৌবদা হেন্না খুদোংচাগনি।

হপ্তা কাংজৈবুংগী এন্ত্রি টিকেট লুপা ৩০ (এদল্ট), য়ুনিফোর্ম শেৎপা মহৈরোয়গীনা লুপা ২০ নি। খুমন লম্পাক অমদি লম্বোই খোংনাংখোংগী ওইনা এদল্টতা লুপা ২০, য়ুনিফোর্ম শেৎপা মহৈরোয়দা লুপা ১০ ওইগনি হায়নসু মখা তারি।

## দেসামনা দুকান্দগী অপাবা প্লাষ্টিক ...

*লামায় ১গী মখা...*লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রবা হায়রিবা প্লাষ্টিক মখল অসি ফাগৎপা ঙমদবদগী দেসামগী ভলুন্টিয়রশিংনা থা অসিগী ৮ দগী দ্রাইব অসি চথরক্তুনা ফাগৎপা হৌরকপনি। অহানবা ওইনা ককচিং লমখায়দা দ্রাইব চথদুনা প্লাষ্টিক ময়াম অমা ফাগৎপা ঙমখি। ঙসিসু মখা তানা লুপ অসিনা পাউনা কৈথেলগী মসজিদ রোদতা লৈবা দুকানশিংদগী ফাগৎলিবা প্লাষ্টিকশিং অসি মরী লৈনবা পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দতা শীন্নগনি হায়রি।

অমরোমদা, দেসামগী ভলুন্টিয়রশিংনা মসজিদ রোদতা প্লাষ্টিক কল্লেক্সন তৌরিঙৈ চৈরক অদুদা সিটি পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা মফম অদুদা দ্রাইব চথরিবা ভলুন্টিয়রশিং অদু ৱারী শানসি হায়দুনা সিটি পুলিস ষ্টেসন তম্না পুখি লোয়ননা মখোয়না ফাগৎলকপা প্লাষ্টিক ময়াম অদু সিটি পুলিস ষ্টেসন্না লৌশিনখি। মফম অদুদা দেসামগী থৌমীশিং অমদি সিটি পুলিসকী কাঙবুগা ৱারী শানরবা মতুংদা মখা তানা প্লাষ্টিক খোমগৎপগী থবক অসি তৌদনবা ফোঙদোরক্লবা মতুংদা দেসামগী থৌমীশিং অদু থাদোরকখি হায়রি।

## চাইল্ড রাইটকী মতাংদা খঙমিন্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* আসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘলয়, মিজোরাম, ত্রিপুরানচিংবা ষ্টেট কয়াদগী মীহুৎশিং য়াওরি। কনফরেন্স অসিগী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী টেক্নিকেল সেসন্দা নেসনল হ্যুমেন রাইট কম্মিসনগী মেম্বর মুরুগেসননা চ্যের লৌদুনা খন্ন-নৈনবগী সেসন চথখি। সেসন অদুদা আসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর অমদি মেঘলয়গী মীহুৎশিংনা জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট ২০১৫ গী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

ইভনিং সেসন্দা নেসনল হ্যুমেন রাইট কম্মিসনগী মেম্বর জ্যোটিকা কালরানা চ্যের লৌদুনা খন্ন-নৈনবগী সেসন চথখি। নুমিৎ নীনি চথগদবা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল কনফরেন্স অসিদা নোর্থ ইষ্টকী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী অখঙ-অহৈ কয়ানা চাইল্ড রাইটকী মতাংদা ৱা ঙাঙগদৌরি।

## মন্দলেদা ট্রেদ সেন্টর অমা থম্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুরগী নুপী ফুটবোলর টিম অনীগী মরক্তা একজিবিসন মেটস পাঙথোকসি হায়বা ৱাফম চীফ মিনিষ্টরনা থমখি। ৱাফম অসিগী পাউখুম পীরদুনা দেজতা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা মিজিমা মিদিয়া গ্রুপকী এদিটর-ইন-চীফ সোই ম্যইন্টনা এগজিবিসন মেটস অসিদা শরুক য়ানবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মণিপুরদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা মালেমগী মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী নলান্দ য়ুনিভর্সিটিগী বুধিষ্ট রিলিজন্স টিচিং ইন্সটিট্যুটকী ব্রাঞ্চ অমা ম্যান্মারদা লৈরিবা বুধিষ্টশিংগীদমক লিংখৎলগনি। বুধিষ্ট লাইনিংবা কয়ানা মণিপুর ফাওনা বোদ্ধগয়া চৎপদা লৈনবা মণিপুরদা গেষ্ট হাউস অমসু শাগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, কনফরেন্স অসি শরুক য়ারুরগা থা অসিগী ১৩দা ইম্ফালদা থুংলগনি। অদুবু মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবা এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী কনভিনর আর কে শিবচন্দ্রদি সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল এগজিবিসন মেটস, ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম মায় পাক্নবা অমসুং ম্যান্মারদা খুন্দাখ্রবা মণিপুরীশিং অমদি বিজিনেস দেলিগেটশিং কংফাল লম্বীদা টামু ফাওদুনা লাকপা য়ানবা মন্দলেগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং উনরমগনি। মদুগী মতুং মহাক থা অসিগী ১৬তা ইম্ফালদা থুংলগনি হায়রি।

## মোটিভেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): কুম্বী কোলেজদা মোটিভেসন কেম্প্যেন ওন দি ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন হায়বা হীরমসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা নেসনল সর্ভিস স্কীম (এন এস এস) রেদ রিবোন ক্লব (আর আর সী), লিগেল এইদ ক্লিনিক কুম্বী কোলেজ অমসুং মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) কা খুৎশন্নরগা শীনবনি। এন জি ওশিংনা চহী কয়া লেপ্পা লৈতনা ঙসি ফাওবদা ঈ দান তৌদুনা লাক্লবা মীওই কয়ানা মেক্সকা লোয়নরকপা রিসোর্স পর্সনশিংনা পুন্সিদা ঈ পীরগা খুন্নাইদা কান্নবা অমদি মতেং পাঙবা পীরিবা মী মীদুগী শকখঙবগী ফিদা শোয়দনা লৈগদৌরিবনি। মহৈরোয়শিং অমদি তিল্লিবা মীয়ামদা শুগায়না তাকখি। লোয়ননা কুম্বী কোলেজদা মফম ওইরগা মতম চাবা, খুদোংচাবা মতম লেপ্নরগা ঈ পীবগী কেম্প অমা পাঙথোল্লগনি হায়বগী ৱারেপ অমসু লৌখি হায়রি।

# চাকথোং গ্যাস ফংহন্দবগী পি আই এল থাঙ্গৎলক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী লায়রবা মীয়ামদা চহী ১দা সবসিদাইজ এল পি জি (মমল তাথরবা চাকথোং গ্যাস) সিলিন্দর ১২ ফংহনগদবনি হায়রগসু মণিপুরদা চাকথোং গ্যাস নীংথিনা ফংহন্দবগী মতাংদা হায় কোর্টনা মরী লৈনবশিংদা পাউখুম পীরক্লবা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে।

য়ৌরবুং মনিং লৈকাইদগী ওইনাম প্রসান্তগী মহুৎ শিন্দুনা সিনিয়র এদভোকেট টি ঐচ ইবোহলনা থাঙ্গৎলকপা পি আই এল অমা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসনা শাবা দিভিজন বেঞ্চ অমনা খন্নখি। পিটিসন অদুদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মণিপুরগী ডোমেষ্টিক গ্যেস ডিষ্ট্রিব্যুটরশিংনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইহনখি।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা চহী অমদা য়ূমথোং অমদা সবসিদাইজ এল পি জি সিলিন্দর ১২ ফংহন্নবা কুমজা ২০১৪ দা ওর্দর থোকখ্রবসু মণিপুরদা ওথোরাইজ এল পি জি ডিষ্ট্রিব্যুটরশিংনা মীচম মীয়ামদা গ্যাস রিফিল্ড সিলিন্দরশিং ফংহনবগী মহুৎতা ব্লেক মার্কেটতা ওইনা মরাং কায়না ফংলে হায়বা ৱাফম পুখৎলকখি।

মণিপুর হায় কোর্টকী এক্টিং চীফ জষ্টিস এন কোটিশ্বর অমসুং জষ্টিস কেঐচ নোবিনগী ডিভিজন বেঞ্চনা ঙসি পি আই এল অদুবু হিয়রিং তৌরবা মতুংদা মরী লৈনরিবা রেসপোন্দেন্টশিংদা খঙহনখি মদুদি, শুকশোয় শোয়দনা কঞ্জুমরশিংদা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর চহী অমদা ১৮ ফংহনগদবনি হায়বা ৱাফম অদু ঙাক্তবগী মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌখৎলোইদবগী মরম লৈব্রা হায়বদু খঙহল্লক্লবা নোটিস থাখ্রে। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এদমিট তৌখ্রবা পি আই এল অসিগী মথংগী হিয়রিং চয়োল তরুক লৈরগা পাঙথোক্লবসু লেপখ্রে হায়রি।

# বি পি এলগী ফেমিলিশিংদা জেমোন গ্যাস সার্ভিসনা চাকথোং গ্যাস সেট তরা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা যোজনা (পি এম য়ু ৱাই) গী মখাদা চাকথোং গ্যাস লেম্না পীবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট টু ৱাঙ্গোই ব্লোক্কী মনুং চনবা মাইবম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ৯ গী মেম্বর লাইশ্রম গম্ভীর মৈতৈনা য়াম্না ৱানা চেন-চোংদুনা অহানবগী ওইনা মীওই তরাদা চাকথোং গ্যাস সেট য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা ৱার্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি হুইদ্রোম সোমেন্দ্রোগী থোঙ্গালদা পাঙথোকখিবা গ্যাস য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা জেমোন গ্যাস সর্ভিস শিংজমৈ চীংঙা মথক্কী খুথাংদা গ্যাসশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। লাইশ্রম গম্ভীর মৈতৈ হন্দক অনীরকশুবা ওইনা মায় পাক্লবা ৱার্দ অসিগী মেম্বরনি। মঙারকশুবা জেনরেল পঞ্চায়টকী ইলেক্সন মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী খ্বায়দগী ইহান হান্না থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক পাঙথোকপদা ৱার্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়গী মীয়াম্না অপেনবা ফোঙদোক্লরক্লি।

ঙসি গ্যাস ফঙখ্রবা মীওইশিং অদুদি ইরোম রাধাপ্যারি, হুইদ্রোম নন্দিতা লৈমা, হুইদ্রোম কবিতা, মাইবম ইবেমচা, হুইদ্রোম থবা, হুইদ্রোম কল্পনা, সনাথোই, মাইবম সুসিলা, লোংজম লতাবী অমদি হুইদ্রোম মেমচানচিংবনি হায়রি।